# মালেমদা ফাওরবা কোমেডিয়ান, চার্লি চাপ্লিনগী মরমদা খঙজিনবা য়াবা খরা


Charlie's driver Kono


Chalie and Wife Lillita Mcmurray

- চার্লি অমসুং লিতা গ্রে লুহোংবা তারে। অদুবু য়াম্না লোন্না থবক্তু পাঙথোক্লবা লেপ্পরে। মদুগীদমক চার্লিগী দ্রাইভর কোনোবু শীল্লম্নবা হান্না মেক্সিকোদা চৎহনখ্রে। চার্লিনা লিতা গ্রে মমা মচাবুসু হান্না মফমদুদা লৈরম্নবা থাখ্রে।
- চার্লিনা য়াম্না হৈনা-শিংনা ফিল্ম The Gold Rush কী শুটিং কাঙবু অমসু মেক্সিকোগী Gnaymas হায়বা মফমদুদা নম্নবা থাখ্রে। মীনা য়েংবদা ফিল্ম নম্বা চৎপা মালহল্লে। মফমদু য়ৌরগসু ঙা ফাবগী হি অমা ৱায়রগা সমুদ্রগী সীন খরা নম্লুনবা কাঙবু অমা থাদোকখ্রে।
- অদুগা মানা লিতা মমা মচাগা লোন্না নক্লা লৈবা Empatue কৌবা রেল জঙ্কসন মচা অমদা চৎখ্রে। মফমদুদা কোনোনা শীল্লম্বা পার্লর কা মচা অমদা লোন্না সিভিল মেজিষ্ট্রেট অমনা লুহোংবদু পাঙথোক্লে। অদুগা Guaymas দা লৈবা হোটেল মচা অমদা নুংদাংদুমা লিতা মমা মচা লৈহল্লে।
- মথঙগী নুমিত্তা লোস এঞ্জেলসতা হল্লক্লগা লোন্না Bevery Hills তা লৈবা মাগী ময়ূম অদুদা চঙখ্রে। পাউমী অমতা উনদনবা হোৎনখ্রে। মখোয়গী ময়ূমগী কোম্হোংদা ঙাইরম্বা পাউমী খরা নাম্হোক্লবা হোৎনবদা মতৈ-মনাওদু চেনবা তাখি। অদুদগীদি নুমিৎতু থোঙ লোন্দুনা খাঙখ্রে।



- লুহোংলবা মতুংদি চার্লি ষ্টদিওদা কুইনা কুইনা থবক শূদুনা লৈখ্রে। ময়ূমদনা লিতা মমা মচা লৈহৌই। চিক্লা মতোমতা লৈরকপদা লিতা ওন্থোক্লা হৈনদ্রে। ফিল্ম কূম্বসু তোকপদা তারে। মাগী মহুৎ অমা চার্লিনা থিরে। মমৈথংদা চহী ১৮ শুরবী চিকাগোদগী Georgia Hale কৌবী অমা ফংলে। লিতাগী মহুৎ মহাক্লা কূম্বা তারে। মাসু মশাগী চহী ১৬তা মিস চিকাগো হায়বা টাইটল ফংলবীনি।
- The Gold Rush ফিল্মদুগী ৱারীদুগী মতুংইন্না হিরোনি শিনবগী থোইনা কায়দ্রে। লিতাগী সীন নমখিবশিংদুগী মতুং ইল্লকপদা ৱারী খরা শেমদোক্লগা Georgia Hale না দান্স রুমগী জগোয় শাবী ওইনা কূমগদৌরিবনি। ১৯২৪গী দিসেম্বর থাদু ৱারী শেমদোক শেমজিন্দা মতম হৌখ্রে।
- ১৯২৫গী ন্যু য়রস দেদগী নম্বা হৌবনা জন্যুৱারী থাদুগী তাং ১৯দা দান্স হোল সীন নম্বা লোইরে। অদুনা জুন ২৬তদি প্রেমিয়র শো উৎপা ঙল্লে। লোয়ননা মমাঙ থা মেগী তাং ৫দনা লিতা মচানুপা অমা ফংজরে। অদুবু লুহোংবা মতুং থা ৬তা পোকপা মরম্না লোন্না পোক্লে, মতম খরা লিতা অঙাংদুগা মমানা শেন্নদুনা লোন্না Manhattan Beach তা লৈবা য়ূম অমদা লৈরে। অদুগা জুন ২৮দা অঙাং উনরে হায়না লাউথোরকখি। The Gold Rush হায়বদু প্রেমিয়র শো উৎখ্রবা নীনিগী মতুংদা।
- The Gold Rush হায়বা ফিল্মদু ফুট ২৩১, ৫০৫ শাংনা নমখি। অদুবু Edit তৌরবা মতুংদা ফুট ৮৫৫৫ খক্তা শাংখি। অদুবু চার্লিনা হেক নম্লকপা ফিল্মদগীদি মসিনা খ্বাইদগী শাংলবা ফিল্মনি।
- ফিল্ম অদু অচৌবা সহরদদি অঙকপদা মায় পাকপা ওইখি। মীয়াম্না য়াম্না পাম্নখি। অদুবু অপিকপা সহরদদি মী য়েংবা ৱাৎখি। মসিগী মরমদি মীয়াম্না চার্লিবু ৱারীনা মপূং ওইবা ফিল্মদা য়েংবা পাম্নদে।
- Britain দদি The Gold Rush ফিল্মসি ত্রিবোলি ষ্ট্রান্দদা উৎখি। মদুদা চার্লিসু মিনিট ১০ রোম মীয়ামগা ৱারী শাবগী থৌরম য়াওনা উৎখি। মায় পাকপা ওইখি।
- বার্লিন্দদি ফিল্মদুগী জগোয়গী মতাং উৎলকপদা মীয়াম্না অঙকপা অমা ওইনা লাউনরকখি নুংঙাইদুনা। মদু উবদা থিএটর মেনেজর অদুনা চেনখৎতুনা প্রোজেক্টর পান্নরিবা মাগী মীদুদা সিন অদু অমুক্কা হল্লু হায়না হায়রুই। অমুক রিৱিন্দ তৌদুনা মতাংদু অনীরক উৎখি। মীয়াম পেন্নখি।

-মথং-মথং

## ব্যুটি দাইরিজ - মেক অপ
# ফেসিয়ল মসাজনা মায়গী মওং শেম্বা



মায় থোনবা, খজাই অমদি খদাং ইচোন-চোনথবা হায়বসিনা শক থিনা উহল্লি। কনাগুম্বনা সর্জরি তৌরগা অহেনবা, অথোনবা শরুক অদু লৌথোকপা য়াওই। অদুবু মসিদি শেল য়াম্না চঙবতা নত্তনা চৈনাখোলসু ফাওই। পুম্নমক অসিগী য়েংলুরগা শেলসু চঙদবা, চৈনাখোলসু ফাওদবা অমদি খুদোংথিনিংঙাইসু ওইদবা পাম্বে অমা থিরকপদা "ফেসিএল মসাজ" না খ্বাইদগী ফরে হায়বা খঙনরক্লে। মখল কয়াগী কোসমেটিক অমদি খুৎশু-খুৎলায় অমত্তা চঙদনা ইশা-ইশাগী য়ুমদা য়াম্না অচম্বা মওংদা লৌখৎপা য়াবা থৌরাং অসি জপান্দদি কা হেন্না পোপ্যুলরওইরে।

মায়দা মসাজ তৌরমদাইদা নীংশিংগদবা মরুওইবা ৱাফম ৩দি :

- কাঙলোন চুম্মী-চুমদে খঙনবা মিংশেল মমাঙদা তৌগদবনি।
- উনশা শোক্তনবা মসাজ ওইল মরাং কায়না শীজিন্নগদবনি।
- মসাজ তৌরিবনি হায়দুনা মায়দা কা হেন্না শাফু কন্না তকপা-নোইবা য়াদে।

খজাইচেনথবা ফনবগীদমক খুত্মু তাশিল্লগা খজাইমখাগী উনশা অদুমথকলোমদা ইনখৎতুনা সেকেন্দ মঙারোম থল্লগা তপ্না-তপ্না থাদোক্কদবনি। কনাগুম্বনা মায়গী শাজেল অসি তৌবদা খুদোংচাদবা মায়োক্নরবদি খুৎকী খুনিং অনীমক টেবল অমগী মথক্ত শৌবা করিসু কায়দে।


মথংদা য়েৎথংবা খুবীগী নাকচিনা ওয়থংবা মীৎপান মখাদগী হৌরগা উনশা মথক্তা তপ্না-তপ্না তক্তুনা মতাইরোমদা পুথোকখিগদবনি। অদুদগী ওয়থংবা খুবীনা য়েৎ থংবা মীৎপান মখাদা অমুক তৌবা য়ারে। খুবী অনীনা নাগী হেক মখাদা ঙকশমদা থল্লগা মথক-মখা ইনখৎ-ইনথ তৌদুনা নোইগদবনি। মতৌ অসুম্না নুমিৎ খুদিংগী পরম চুম্না মায়গী শাজেল তৌরবদি খজাই চোনথবা ফরক্কনি।

মীপুম খুদিংমক খজাই অমদি মসিগী অকোয়বদা উনশা খুইবা হৌরক্লবদি চহী ফনা নৌরবসু অহল ওইনা উহল্লি। খজাই মপাগী উনশা খুইরকপগী খুদোংচাদবা অসি কোকহন্নবগী য়াম্না ফরবা পাম্বেদি নুমিৎ খুদিংগী অয়ুক্তা মায় তাবা লোইরগা ক্রিম তৈরমদাইদা খজাইগী উনশাদা মসাজ তৌবনি। তৌবতবু মিংশেল মমাঙদা লেপ্পগা পরম চুম্না মসাজ তৌবা মথৌ তাই।





অমরোমদা খদাং চোন্থবা হায়বসিনসু মায়গী ফীভম কায়হন্দুনা শক থিনবগী মরম ওইহল্লি। অফবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাবগা লোয়ননা চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবনা অৱাবা অসি খরমখৈ কোকহনবা ঙল্লবসু খ্বাইদগী চম্বা অমসুং অরায়বা পাম্বেদি মায়দা মসাজ তৌদুনা ঈগী ঈচেল ফগৎহনবা হায়বসিনি।

অহানবদা খুৎশা অনীগী কারক্লা চপ্লগা খদাংগী মফম শীনবা থুংনা তপ্না তপ্না চিংগদবনি। অদুদগীদি খদাংদা খুৎশানা নল্লগা তপ্না তপ্না মথকলোমদা নারুম তম্না পুখৎকদবনি। মতৌ অসুম্না মায়দা পরম চুম্না মসাজ তৌরবদি মায়দা চেনবা ঈগী ঈচেল ফগৎহন্দুনা খজাই চোনথবা, মায় পোমখৎপা অমদি খদাং চোনথবনচিংবা খুদোংচাদবা পুম্নমক কোকহন্দুনা মায়গী মওং মতৌ ফজনা উহল্লি।





Title : TORTOISE





Taniksana Chanu
Class : V, Sec: A, Roll: 22
Imphal Public School, Canchipur

Title : FLOWER




Malemnganba Okram
Class : I, Sec: A, Roll: 13
Imphal Public School, Canchipur

Title : LAND ESCAPE




Pahelli Nongthombam
Class : V, Sec: A, Roll: 22
Kids' Foundation


Title : A SHIP





Tartush Oinam
Class : VI, Sec: A, Roll: 23
Kids' Foundation


Title : SWAROVSKI FAIRY




Laxmi Chongtham
Class : VI, Sec: B, Roll: 28
Kids' Foundation


Title : A BEAUTIFUL ROSE WITH LEAVES




Santana Moirangthem
Class : II, Sec: A, Roll: 37
Kids' Foundation

Title : PLANES





Khangembam Korou Meitei
Class : II, Sec: A, Roll: 11
Kids' Foundation


Title : BEACH





Geetika Loitongbam
Class : VIII, Sec: , Roll: 8
Kids' Foundation


Title : NINETALES




Pukhrambam Albertson Singh
Class : III, Sec: A, Roll: 15
Kids' Foundation

Title : SCENERY




Sanamon Prasad
Class : VIII, Sec: , Roll: 6
Kids' Foundation




# চিঞ্জাক্লা খ্বাইদগী ফবা হীদাকনি
## সাইন্নসাইটিসকীদমক পৌখৎকদবা চেকশিন থৌরাং



সাইন্নসাইটিস হায়বসি স্কলদা লৈবা সাইন্নস কেভিটিজগী লাইনিং ওইবা মেম্ব্রেনদা চৈনাখোল ফাওনা পোমখৎলকপগী থৌওংবুনি। অয়াম্বা মতমদা লোক থুংবা নৎত্রগা নাতোন মখুলদা এলর্জি তৌবদগী সাইন্নস হৌরকই।

মহৌশানা মেম্ব্রেনশিংদগী থাদোরকপা অনঙবা মহীশিং অখুবা মখুলদা ফাওরগা নেজেল কেভিটিদা চঙখি। এক্যুট সাইন্নসাইটিসতি বেক্টিরিয়া, ভাইরস নৎত্রগা ফঙ্গেল ইনফেক্সননা ওইহল্লকপনি। অদুগা ক্রোনিক সাইন্নসাইটিসনা য়া নাবদগী থোরকপা এলর্জিক রিএক্সনশিংনা ওইহল্লকপনি।

মরম অমা নৎত্রগা অমনা ওইরবসু সাইন্নসকী লাইনিং পোমখৎলকপদগী নিংশা-শ্বর হোনবদা অপনবা থোকহল্লকপগা লোয়ননা কোক চীকহল্লকই। সাইন্নসাইটিসনা নারবা মীওই অমা নোম্থবা মতমদা অমুক্কা হেন্না চৈনাখোল ফাওরক্কনি অমসুং নাতোনদগী হঙ্গামপাল নৎত্রগনা অশংবা মচুগী অনঙবা মহী তারক্কনি।

চীঞ্জাক্লা লায়না অসি হকথেংননা ফহনবা ঙমদবা তারবসু খরমখৈদি কান্নবা পীরি। থিজিন-হুমজিনবা অমদা ক্রোনিক সাইন্নসাইটিসনা নারবা মীওই অমা শঙ্গোমগী পোৎথোকশিং শীজিন্নবা লেপখিবদগী ফীভম ফগৎলকপা থেংনখি। সাইন্নসাইটিসনা নারবা মীওইশিংনা দোক্টরগা তানদুনা অফবা মখলগী ফূদ সপ্লিমেন্ট অমদি নন-দাইরি কেলসিয়ম চাগদবনি।

মহী-মনাই য়াম্না থকপনা অনঙবা মহী পুম্নমক মহী লাঙথোকহনবা মরম্না নুমীৎ খুদিংগী য়ামদ্রবদা ঈশিং, হৈ মহী, চা নৎত্রগা সুপ কপ ৮ দগী ১০ ফাওবা থকপা কান্নগনি।

ভিটামিন সী মরাং কায়না ফংনবগীদমক মতম-মতমগী অতেকপা মনা-মশীং অমসুং হৈ-রা চাং নাইনা চাগদবনি। এন্টি-ইনফ্লেমেটরি ওইবা মগুন চেনবা বাইওফ্লেবোনোইদ মরাং কায়না য়াওবা মরম্না কোম্লা, চম্প্রা, অঙ্গুর অমদি জাম্ন চিংবা হৈ-রা চাগদবনি। ভিটামিন ঈ অমদি জিঙ্কসু এন্টি-ইনফ্লেমেটরি ওইবা মগুন চেনবগা লোয়ননা ইম্যুন সিষ্টেম কনখৎহন্নবা সমুদ্রগী ঙাশিং, পোলট্রি প্রদক্ট, লৈবাক হৱাই অমদি নুঙ হৱাইনচিংবসু চাং নাইনা চাগদবনি।

নাতোন ফুনবা ফহনবদা মতেং পাংবা চীঞ্জাকশিংগী মনুংদা তীলহৌ, চনম, মোরোক, শিং, জীরা, লোং অমদি উশিংশানচিংবা য়াওই। মরম অদুনা হায়রিবা মরূ-মরাং অমদি মনা-মশীংশিং চাং নাইনা শীজিন্নগদবনি।

মৈখু শীজিন্নবা মীওইশিংনা হৈনবী অসি য়ারিবমখৈ অথুবা মতমদা থাদোক্লবা হোৎনগদবনি। খুদক্তা নাতোন ফুনবা ফহন্নবগীদমক ঈশিং অশাবদা লূপ্পবা টাৱেল অমনা মায়দা কূপশিনগদবনি। নিংশা-শ্বর হোঞ্জিনবদা ঈশিং অশাবগী মনিল য়াওহল্লবসু কান্নবা ফংগনি। কা হেন্না নাতোন ফুল্লকপা মতমদা ফোঙ-ফোঙ শাবা চা গ্লাস অমা থকচিল্লবদি নিংশা-শ্বর হোনবা নুংঙাইগনি।